**RNU, IMPHAL**
**MANIPURI MORNING NEWS SCRIPT AT 7.30 AM**
**(DATE 02-03-2026)**
**অকাশবানি ইম্ফালগী**

**অয়ুক পুং ৭.৩০ গী মণিপুরি পাউ**

**(তাং ০২-০৩-২০২৬,নিংথৌকাবা)**

**--সিগনেচর ট্যুন--**

**--অহানবদা মরুওইবা পাউ--**

১) সেক্যুরিতি ফোর্সনা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম ফারে।

২) ওর্গানিক অমসুং নেচরেল ফার্মিংগী লমদা অৱাংবা থাক্কী শিংথানিঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক মণিপুরদগী লৌমী অনি ইকাই খুমবা উৎলকখ্রে।

**অমসুং**

৩) প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা কেনাদাগী প্রধান মন্ত্রি মার্ক কেরনিগা ঙসি নিউ দেল্লিদা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্লগনি।

----

**পুলিস (এল) ঃ** সেক্যুরিতি ফোর্সনা তোঙান তোঙানবা মফমশিংদা থিবা হুন্দ্বগী থবক চথবদা তোঙান তোঙানবা লালহৌলুপশিংগী মীওই অহুম ফারে।
মণিপুর পুলিসকী পাউনা হায়-ইম্ফাল ইষ্ট জিলাগী লন্নাই পুলিস স্তেসনগী মনুং চনবা ফকনুং অৱাং লৈকাইদগী প্রিপাক্কী হকচিনবা মীওইনি হায়বা কাদর অমা

ঙরাং ফারে। থৌবাল জিলাগী য়াইরিপোক লমখাইদগী কে.ৱাই.কে.এলগী কাদর ১ সু হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা ফাখি।

পাউ অসিনা মখা তানা হায়-সেক্যুরিতি ফোর্সনা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী ৱাংগোই খাইদেম লৈকাইদগী প্রিপাক(প্রো)গী মীওই অমা হৌখিবা থাংজ নুমিৎতা খূৎলাইগা কোন্ননা ফাখি। মীওই অসিদগী মেগজিন য়াওবা নাইন এম এম পিষ্টোল ১, কাপ্পা য়ারিবা নোংমৈ মরু ৪ ফাগৎলে।

মরক অসিদা, চহী অসিগী ফেব্রুৱারি ১১ দা ইম্ফাল ৱেষ্ট জিলাগী পাৎশোই এরিয়াদগী হুরানখিবা হোনদা এক্তিভা অমা ময়াং ইম্ফাল এরিয়াদগী ঙরাং ফংবা ঙমখ্রে হায়রি।

**এৱার্দ (এল)ঃ** ওর্গানিক অমসুং নেচরেল ফার্মিংগী লমদা অৱাংবা থাক্কী শিংথানিঙাই ওইবা থবক তৌবগীদমক মণিপুরদগী লৌমী অনি নেসনেল সেন্তর ফোর ওর্গানিক এন্দ নেচরেল ফার্মিং গাজিয়াবাদনা মনা পীদুনা ইকাই খুমবা উৎলকখ্রে। লৌমী অনি অদুদি-বিষ্ণুপুর জিলাদগী লাইশ্রম গোকুলচন্দ্র অমসুং কামজোং জিলাদগী নেপোলিয়ন সৈজানি। উট্টর প্রদেশকী গাজিয়াবাদতা মমাঙ থাদা পাঙথোকখিবা ওর্গানিক অমসুং নেচরেল ফার্মিংগী ওইবা নুমিৎ নিনিগী জাতি থাক্কী সেমিনর কম এগজিবিসনদা মখোয়বু মনা পীদুনা ইকাই খুমবা উৎখি। রাজ্যগী লৌউ শিংউ বিভাগকী মীওইশিংনা লুচিংদুনা লৌমী ৭ য়াওবা মীহুৎ কাংবু অমা সেমিনর অদুদা শরুক য়াখি।

**ৱার্কশোপ (এল)ঃ** রাজ্যগী দাইরেক্তোরেট ওফ ত্রেদ, কম্মর্স এন্দ ইন্দষ্ট্রিস অমসুং মণিপুর ইন্দষ্ট্রিয়েল দেভলপমেন্ট কোরপোরেসন লিমিতেদ(মনিদকো)না পুন্না শিন্দুনা রাজ্য থাক্কী ষ্টেকহোল্ডর কন্সলতেসন ৱার্কশোপ অমা ঙসি ইম্ফালগী হোতেল ক্লাসিক গ্রান্দেদা পাঙথোক্কদৌরি। ৱার্কশোপ অসি রাইজিং এন্দ এসিলরেতিং এম.এস.এম.ঈ পার্ফোমেন্স (রেম্প)কী মখাদা পাঙথোক্কদবনি।

**স্পোর্টস (এল)ঃ** কংলৈপাক ষ্টুদেন্টস এসোসিয়েসন(কে.এস.এ)না শিন্দুনা নুমিৎ ৬ নি চথুগদবা ১৪ শুবা কংলৈ মেগা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল ঙসি ইম্ফালগী মপাল কাংজৈবুংদা হৌদোক্লগনি। অওনবা অমগীদমক শান্ন-খোৎনবা হায়বা ৱাখল্লোনদা পাঙথেশক্কদৌরিবা স্পোর্টস ফেষ্টিভেল অসি হৌদোকপগী থৌরমদা এম.এল.এ লৌরেম্বম রামেস্বর মীতৈ, কে.এস.এগী প্রসিদেন্ট সেরাম হেমজিৎ মৈতৈ, য়াসকী সেক্রেটরি নাওরেম প্রভিননচিংবা মীওইশিং শরুক য়াগনি। ঙসি অহৌবা নুমিৎতা ফোর্তিন সি.এস.ওস কংলৈপাক অমসুং মনিৱুদ ক্লব মণিপুরগী ফুটবোল মেটচ অমসু শান্নগনি।

**অমজ (এল)ঃ** ওল মণিপুর ৱার্কিং জর্নেলিষ্ট য়ুনিয়ন(অমজ)না শিন্দুনা ১৫ শুবা জর্নেলিষ্ট স্পোর্টস মিট ঙসিদগী হৌদোক্লগনি। ঙসি অয়ুক শেংলবা কংলাগী লাইফল্লেনদগী মৈরা লৌদুনা স্পোর্টস মিট অসি হৌদোক্কনি। থৌরম অসি হয়েংদগী হৌগনি হায়না তৌরম্বা অদু চন্দ্র গ্রোহোন লৈবনা মরম ওইবনা ঙসিদগী হৌরগনি।

**তোক্কঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিগা কেনাদাগী মহাক্কা ফম মান্নবা মার্ক কেরনিগা ঙসি নিউ দেল্লিগী হাইদ্রাবাদ হাউসতা অৱাংবা থাক্কী মীফম পাঙথোক্কনি। লুচিংবা অনিনা লৈবাক অনিগী হৌজিক ওইরিবা মরীগী মতাংদা কুপা খন্নগনি। মীফম অদুদা, মরুওইবা ৱাফমশিং- লল্লোন ইতিক, শেল থাদবা, ইনর্জি, লৌউ শিংউ, শিক্ষা, রিসর্চ ইন্নোভেসননচিংবা লমশিংগী মতাংদা মরুওইবা মীৎয়েং থমগনি। লুচিংবা অনিনা মালেমগী অমসুং লৈবাক অনিগী চাউখৎ থৌরাংগী ৱাফমসু খন্নগনি। প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদি অমসুং প্রধান মন্ত্রি কেরনি ঙসি নুংথিল ভারত অমসুং কেনাদাগী সি.ঈ.ওস ফোরমদা শরুক য়াগনি।

**মোদিঃ** প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা তামিল নাদুগী মদুরাইদা লূপা কোতি লিশিং ৪,৪০০ হেনবগী চাউখৎ থৌরাংগী প্রোজেক্ত খরগী উরেপ উয়ুং তমখ্রে, খরনা শঙ্গাখ্রে। থৌরম অদুদা প্রধান মন্ত্রিনা হায়-প্রোজেক্তশিং অসিনা তামিল নাদুগী চাউখৎ থোরাংগী লম্বীদা হেন্না খুমাং য়াংশিল্লগনি। শ্রী মোদিনা হায়-প্রোজেক্তশিং অসিগী মনুংদা কুম্বাকোনম য়রকোট অমসুং ভেলোরদা অকাশবানিগী অনৌবা এফ.এম রিলে ত্রান্সমিতর অহুম হাংদোকপা য়াওরি। মসিনা লমদম লমদমগী ওইবা থৌরমশিং মফম অদুদা অপনবা লৈতনা তাহনবা ফংলগনি।

**নাগালেন্দঃ** নাগালেন্দ বিধান সভাগী অহানবা তাঙ্কক্কী বদজেট মীফম ঙসিদগী হৌদুনা থা অসিগী ১২ ফাওবা চথরগনি। মীফম অসিদা পুন্না সিতিং ৫ লৈগনি। মীফম অসি রাজ্যপাল অজয় কুমার ভল্লাগী ভাসনগা লোয়ননা হৌদোক্কনি। মুখ্য মন্ত্রি নৈফিউ রিওনা ইং ২০৬-২৭কী বদজেট সভাদা থমগনি।

**মহারাস্ত্রঃ** মহারাস্ত্রগী নাগপুরগী রাৱলগাউনদা লৈবা এস.বি.এল.ইনর্জি লিমিতেদতা চাউনা পোখাইবগী থৌদোক অমদা মীওই ১৭ শিরে, ১৮ হেন্না শোক্লে হায়রি। মহারাস্ত্রগী মুখ্য মন্ত্রি দেভেন্দ্র ফরনাবিসনা সোসিয়েল মেদিয়াদা থাগৎপা ৱারোল অমদা ৱাফম অসি ফোঙদোকখিবনি। মুখ্য মন্ত্রিনা হায়-থৌদোক অসিগী মতাংদা কুপা থিজিনগদবনি। অৱাংবা থাক্কী মীফম অমসু ঙসি পাঙথোক্লগনি হায়রি। রাস্ত্রপতি দ্রৌপদি মুরমু, উপ-রাস্ত্রপতি সি.পি রাধাকৃষ্ণন অমসুং প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা থৌদোক অসিগী মতাংদা অৱাবা ফোঙদোরক্লি। মরক অসিদা, প্রধান মন্ত্রি নরেন্দ্র মোদিনা প্রধান মন্ত্রি নেসনেল রিলিফ ফন্দদগী লূপা লাক্ষ ২-২গী ক্ষেত্রিপুরোন লৈখিদ্রবা মীওইশিংগী ইমুং মনুংদা পীরগনি হায়রি। অশোকপশিংগী ওইনা লূপা লিশিং ৫০-৫০ তেংবাংলগনি।

**মাওইষ্টঃ** ছতিসগরগী মহাসামুন জিলাদা নুপী ৯ য়াওনা মাওইষ্ট ১৫ ঙরাং খূৎলাই থাদোক্তুনা সরকারদা চংজরকখ্রে। চংজরকখিবা মীওইশিং অদু সরকারনা লূপা লাক্ষ ৭৩ গী মনা লাউথোকখ্রবা মীওইশিংনি। সরকারগী পাউনা হায়-মাওইষ্টশিং অদুনা চংজরকপা মতমদা খূৎলাই ১৪ য়াওরকখি। মসিগী মনুংদা এ.কে.ফোর্তি সেভেন রাইফল ৩, এস.এল.আর ২, ইন্সাস রাইফল ২, পোইন্ট থ্রি নোট থ্রি রাইফল ৪, তুয়েল্ব বোর গন ১ অমসুং অতৈ ওতোমেতিক খূৎলাইশিং য়াওরি হায়রি। খূৎলাই থাদোক্তুনা চংজরকখিবা মাওইষ্টকী মীওইশিং অদু মহাসামুন দিভিজনগী বলমগির অমসুং বরগরদা মতম শাংনদগী থবক থৌরম কয়া তৌদুনা লৈরকপা মীওইশিংনি হায়রি।

## ---নিউজ পেপর হেদলাইন্স---

য়ু.এস ইজরেলগী লান্দাদা ইরানগী সুপ্রিম চিফ অয়াতোলাহ্ খামেনৈ শিরে, অরাফিবু ইন্তরিম সুপ্রিম লিদর হাপখ্রে হায়বা পাউ অসি- সঙাই এক্সপ্রেস মণিপুরী এদিসনদা বেনর হেদলাইন তৌদুনা ফোঙলি। পাউ অসি- ঙসি ফোঙবা পাউচে অয়াম্বদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙনবা উরে।

চিফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দনা ইম্ফাল ইষ্ট দিষ্ট্রিক্টতা দেভলপমেন্ট প্রোজেক্ট কয়া শঙ্গাখ্রে, দিসেম্বর থা ফাওবদা লল্লাহদগী থৌবাল দাম য়ৌবা লম্বী শেম্বা লোইশিন্নবা য়াথং তাওথখ্রে হায়বা পাউ- সনালৈবাক্তা অহানবা হেদলাইন তৌরি।

পোকফমদা- অথুবদা কেবিনেদ চাউথোক্লগনি, থবকসিদা সি.এমগী শক্তি লৈতে হায়বা য়ারোই হায়না দিপ্যুতি সি.এম লোসি দিখোনা ফোঙদোকখিবা ব্রাফম অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

রবর থাবদা উমংসু শেমগৎকনি, শেলসু পায়হনগনি, লৌমী অমনা লম হেক্তর অমা রবর থাবদা নোংমদা লূপা লিশিং ২,৫০০ দি য়ামা লাইবা তানবা ঙমগনি হায়বা পাউ অমসু- পাউচে অসিগী এঙ্কর কলমদা ফোঙলি।

পিপলস ক্রোনিকলদা- খামেনৈ কমদৌনা হাৎখি হায়বগী ৱাফম আই.দি.এফনা ফোঙদোরক্লি হায়বা পাউ অহানবা হেদলাইন তৌরি। পাকিস্তানদা লৈবা য়ু.এস কন্সুলেটতা থোমজিন্নবা হোৎনবশিং তকথোকবা হোৎনবদা মীওই ১০ শিরে হায়বা পাউ অমসু পাউচে অসিদা বোক্স আইতেম তৌদুনা ফোঙলি।

হুইয়েন লানপাউদা- ঙসি নুমিৎ য়ুংবা মতুংদা গভর্ণর এ.কে ভল্লা ইম্ফালদা হল্লক্লগনি, অৱাৎপা মিনিষ্টরশিং হাপচিনবগী ৱাফমদি চেক মোক লাউদ্রি হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

কোইরেংগৈ এয়রফিল্ড কন্নবা দেমোক্রেতিক ওইবা খোঙজংশিং চংশিল্লগনি হায়বা পাউ অমসু পাডচে অসিদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

সরকারনা রাজ্য অসিদা শান্তি হঞ্জিল্লকবা অকনবা মওংদা থবক পায়খৎলি হায়না দিপ্যুতি চিফ মিনিষ্টর দিখোনা ফোঙদোকখিবা ৱাফম অমা- সঙাই এক্সপ্রেস ইংলিস এদিসনদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

দিপ্যুতি সি.এম.লোসি দিখোদা ওনরেরি দোক্তরেট পীখ্রে, ঙসি চুরাচান্দপুরদা চত্তুনা জোমিশিংগা ৱারি শান্নগদৌরি হায়বা পাউ- নহারোলগী থৌদাংদা মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

গানফিউ মেলদা- খামেনৈ শিখ্রবা মতুংদা অয়াতোলাহ্ অলিরেজা অরাফিবু ইরানগী ইন্তরিম সুপ্রিম লিদর ওইনা খনখ্রে হায়না অনিশুবা হেদলাইন তৌরি।

তামেংলোং তাইমসতা- চিফ মিনিষ্টর য়ুমাম খেমচান্দনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্টশিং শঙ্গাখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

হিলস হোর্ণবিল এক্সপ্রেসতা- মনিপুরদা গন লাইসেন্স লৌবগী চাং ৱাংখৎলক্লি হায়বা পাউ মরুওইবা পাউ ওইনা ফোঙলি।

মণিপুর মেলদা- চিফ মিনিষ্টরনা তোঙান তোঙানবা প্রোজেক্ট অহুম শঙ্গাখ্রে হায়না অহানবা হেদলাইন তৌরি।

--**পাউ লোইজরে**--